HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাও

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




এপ্রিল ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুংদা ত্রোংলাওবীদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম কাপশিল্লক্লুনা অঙাং অনী লৈখিদবা থৌদোকপু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখিবা

থম্মোয় পাউদম : হোমকমিং অমসুং মতুং - ২৫ লামায় ২
লামায় ৪ ‘‘ঈং-তপ্পা থুগায়বশিং লাকশিনগদবনি’’
অরং-অরাক্কী মঙালনা ‘সুম-সুম’ শন্দোরক... লামায় ৫
লামায় ৬ ত্রোংলাউবীদা অঙাং ২ হাৎখিবা ...
হিটলর লৈঙাক্কা মান্নবা বি জে পি লৈঙাক... লামায় ৯
লামায় ১২ কে আর সী ত্রোফিঃ রাওনা সঙ্গাই...

ত্রোংলাওবীদা পীক্লিবা অঙাং অনী হাৎলগা মমাবুনা শোকহনখিবা থৌদোক্তগী খোইশাওনরবা মীয়াম্না খুদক্তগী চঙশিনখিবা বন্দগী খোঙজংদা লম্বীদা টয়ার মৈ থাদুনা অচৎ অওক থিংবা



Vol. 51, Issue No. 16 | য়ুমশকৈশা, শজিবুগী ২১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, April 08, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# মীহাৎপুং অমুক ওইরক্লব্রা : কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা বোম কাপশিল্লকপদা পীক্লিবা মচিন-মনাও শিরে, মমা লায়কন্নরি, তম্পাক্তা পেন্দবগী খোল্লাওনা পুমনিল নিলখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ২৫গী নুমিদাং পুং ১১.৫০ রোম তারকপদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা বিষ্ণুপুর অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট অনীগী তাইনফমদা লৈরিবা তোর্বুং, কাংভাই, ফৌগাকচাও ইখাই, ক্বাক্তা, তেরাখোংশাংবী অমসুং ত্রোংলাওবীগী মনীং থংবা শরুক্তগী বোম ১০ রোম য়াওনা নোংমৈ মরূ কয়া মীতৈগী খুলশিং তম্না কাপশিল্লকখ্রবা মতুং নুমিৎ ৮নি শুরকপা ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ূক্কী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১.০৫ রোম তারকপদা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা লৈবা ওইনাম বাবুতোন (৭০)গী য়ুমদা মপাঙ্গল কল্লবা বোম অমা কাপশিল্লক্তুনা পোকখায়হনবদা মহাক্কী মচানুপা মঙালঙম্বা (৩৬) কী চহী ৫ খক্তা ঙাইরিবা মচানুপা তোমথিন অমসুং থা ৫ খক্তা ঙাইরিবী মচানুপী য়াইস্না বোম মচেৎনা পানবদগী লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। অঙাং অনীগী মমা বিনিতা (৩৫)সু বোম মচেৎনা পানবদগী রাজ মেদিসিটিদা লায়কন্নরি।

থৌদোক থোক্লিবা ইমুং অসিদা পাউচে অসিনা চঙশিন দুনা হংলুবদা ইমুং অসিগা য়ুমথংননা লৈবা মোইরাংথেম





বোম মচেৎনা পানবদগী লৈখিদ্রবা ওইনাম তোমথিন (ওই) অমসুং মহাক্কী মচনুপী য়াইস্না (থা ৫)



সী আর পি এফ পর্সনেলশিংনা কাপথোরকপা য়াল্লবা নোংমৈ মরূশিং পান্দনবা মীয়াম্না হোৎনখিবা

রমানা হায়, ঙরাং নোংয়াই মতুং পুং ১.০৭ রোম তারকপা অদুৱাইদা অহৌবা মখোল অমা তাখ্রবা মতুংদা কপ্পা-লাউনবা তারকপদগী চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা বিনিতানা বোম মচেৎনা পান্দুনা শোক্লবা মচানুপা পমদুনা থোরক্লগা হোস্পিটালদা

### ‘জে এ সী এগেনষ্ট দি ব্রুটেল কিল্লিং ওফ মাইনর চিলদ্রেন ওইনাম তোমথিন ফাইভ য়রস এন্দ ওইনাম য়াইস্না ফাইভ মন্থস এন্দ সেভিয়রলি ইঞ্জুরি ওইনাম বিনিতা লৈমা থর্টিফাইভ য়রস মপুরোইবা ওইনাম মঙালঙম্বা মৈতৈ, ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়’ শেমখ্রে

পুখৎপীয়ু হায়রকখি।

গাড়ী থৌরাং তৌদুনা হোস্পিটালদা পুখৎনবা হোৎনরিঙৈদা বোম মচেৎনা পান্দুনা শোক্লবী মচানুপীবুসু অমুক পমদুনা পুথোরক্লগা গাড়ীদা হাপকৎতুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল তম্না পুখি। লায়েংশঙ অদুদা ফর্ষ্ট এইদ পীনবা হোৎনরিঙৈদা তোমথিনদি অদুমক কনবা ঙমহৌদনা লৈখিদে। অদুগা য়াইস্নাগা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## বন্দগী খোঙজং চঙশিনখিবশিংনা পাউমীগী গাড়ী ছো মুল্লগা সাইদ গ্লাস থুগাইরকখি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস) :** ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায় ৱার্দ নম্বর ফোরদা থোকখিবা তমথীরবা থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী পাউচে অসিগী পাউমীনা থৌদোক থোকফমদা চঙশিন দুনা পাউ লৌনবা হোৎনরুবদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী পোৎশংবমগী মফম অমদা থৌদোক অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা অকনবা বন্দগী খোঙজং চঙশিল্লম্বা মীওইশিংনা ষ্টেট ফোর্সশিংগী গাড়ীশিংসু অথিংবা পীখিবদা নত্তনা পাউমীশিংগী গাড়ীসু চৎপদা থিংখি। খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা খাম্নবা হায়রকপদগী খাম্নবা হোৎনরুবদা খাম্মু হায়বা মফমদা খামদে হায়দুনা খোঙজংলোইশিংনা য়োমশিল্লক্তুনা পাউচে অসিগী পাউমী অমগী গাড়ীগী ছো মুনবদা নত্তনা গাড়ী অসিগী য়েৎ থংবা সাইদ গ্লাস ফাওবা থুদেরকখি। থৌদোক অসিবু মায়োক্লখিবা পাউমীনা ফোটো/ভিদিও রেকোর্দিং তৌই হায়দুনা মরাল শীরকপগা লোয়ননা করিগুম্বা ফোটো অমসুং ভিদিওশিং অদু সোশল মীদিয়া নৎত্রগা পাউচেদা হাপ্পল্লকবদি য়ূম থিরক্তুনা লেম্না থারোই হায়বনচিংবা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোরকখি।

## জিরি লম্বীদা চৎখিবা ওইল টেঙ্কর ১০৯, গ্যাস বুল্লেট ২২ য়াওবা অহাঙবা ত্রক ৩৩৭ কাইমাইদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা থিংলকপদগী সী আর পি এফনা মমায় লৈহল্লগা শান্তিখুনৌদা অহিং য়ারেকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ূক্কী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১.০৫ রোম তারকপদা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম কাপশিল্লক্তুনা মমানা কোন্দুনা ফমুংদা তূম্লিবা পীক্লিবা অঙাং অনী লৈখিদবা অমসুং থৌদোক অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা খোইশাওনরবা মীয়াম্না হৌরকপা ঈহৌদা সী আর পি এফনা নোংমৈ কাপশিনবদগী অশি-অনা য়াওরিঙৈগী চৈরক্তা ইম্ফালদগী পেত্রোল অমসুং দিজল য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং লৌরুনবগীদমক এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বীদা চৎখিবা অহাঙবা গাড়ী ৩৩৭ কাইমাইদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা থৎতুনা চৎহন্দবদগী শান্তিখুনৌ তান্না হন্দোরক্লগা অহিং য়ারেক্তুনা লৈখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ওল মণিপুর পেত্রোলিয়ম টেঙ্করস দ্রাইভরস য়ুনিয়নগী মশক নাইবা মচিন চৎপা মীওই অমনা পাউচে অসিদা হায়, ঙসিগী ওইনা ইম্ফালদা তোঙান-তোঙানবা পোৎলমশিং পুদুনা থুংলখিবা অপূনবা ত্রক মশীং ৯৭নি। মসিগী মনুংদা এল পি জি বুল্লেট ত্রক ১৫, পেত্রোল টেঙ্কর ২৯, দিজল টেঙ্কর ৪৩, সিমেন্ট পুরকপা ত্রক ৫, এঞ্জাং-নাপি পুরকপা ত্রক ২ অমসুং অঙাংগী অচাপোৎনচিংবা পুরকপা ত্রকশিং য়াওরি।

ত্রকশিং অসি তেক্ত-কায়দনা ইম্ফালদা থুংলবগা মহৌশাগুম্না অমুক মপান্দগী তোঙান-তোঙানবা পোৎলমশিং লৌরুনবগীদমক চৎখিবা অপূনবা ত্রক মশীংনা ৩৩৭নি। মসিগী মনুংদা ওইল টেঙ্কর ১০৯, এল পি জি বুল্লেট ত্রক ২২ য়াওনা খোঙশাংদগীসু অহাঙবা ত্রক ১৬০ য়াওশিল্লকখি। অহাঙবা ত্রকশিং অসি সী আর পি এফনা এস্কোর্ট তৌদুনা জিরি লম্বীদা চৎখিবনি। অদুবু ত্রকশিং অসিনা কাইমাই য়ৌশিল্লকপদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা খামদুনা থৎলগা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ইন্দিয়া লৈঙাকপু ঙাক্লিবা বি এস এফকী হবিলদার অমগী ইমুং মণিপুরদদি ঙাকপীনবা লৈরমদ্রে মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর কদাইদা লৈখ্রবগে : ইবোবী



**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ূক পুং ১১ তারকপদা ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং হৌজিক্কা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা এম এল এ ওক্রম ইবোবীনা মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর কদাইদা লৈখ্রবগে, য়ুনিফাইদ কম্মান্দ অসি কনাগী মখূৎতা লৈবনো, হান্নগুম্না সিক্যুরিটি এদভাইজরগী খূৎতা লৈরিব্রা, দি জি পিগী খূৎতা লৈব্রা অমসুং মীয়ামগী মীহুৎকী খূৎতা লৈরিব্রা হায়না হংবগা লোয়ননা ত্রোংলাওবী থৌদোক্তা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চুড়াচান্দপুর তম্না থাও অমসুং পোৎ চৈ পুরকপা ত্রক অহুম খোইশাওনরবা মীয়াম্না মৈ থাখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ূক্কী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুংদা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৪দা লৈবা ওইনাম মঙালঙম্বগী য়ূম তম্না কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা মপাঙ্গল কল্লবা বোম অমা কাপশিল্লক্তুনা পোকখায়হনবদা মহাক্কী চহী মঙা অমসুং থা মঙাখক্তা ঙাইরিবী মচানুপা অমগা মচানুপী অমগা লৈখিদবা অমসুং অঙাং অনীগী মমাবুনা শোক্তুনা রাজ মেদিসিটিদা লায়কন্নরিবা থৌদোকপু পেন্দ্রবা মীওইশিংনা খঙহৌদনা হৌরকখিবা খোঙজংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## লংথবালগী মহারাজ গম্ভিরসিংহগী নীংশিং খুভম কমপ্লেক্সতা ম্যুজিয়ম শারগনি লাউথোকখিবা চহী ১ হেল্লবসু প্লান্নিং দিপার্টমেন্টতা মচী লেঙদনা লৈরম্লে

বিজয় লাইশ্রম

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস) :**
ঙসিদগীনা চহী ১ হেনবগী মমাঙ জন্যুৱারী ৯,২০২৫দা মহৌশাগুম্না ইম্ফাল ৱেষ্টকী লংথবালদা লৈবা মহারাজ গম্ভিরসিংহগী নীংশিং খুভমদা পাঙথোকখিবা ইনিংথৌ অসিগী নীংশিং থৌরমদা শরুক য়াখিবা মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টরনা খুভম লৈরিবা কমপ্লেক্স অসিদা ম্যুজিয়ম অমা শারগনি হায়না লাউথোকখ্রবসু ঙসি চহী ১ হেল্লক্লবা ফাওবদা ম্যুজিয়ম অসি শানবগীদমক লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙনা ষ্টেট প্লান্নিং দিপার্টমেন্টতা থাগৎখিবা প্রপোজেল অদু ‘স্পেশল এসিষ্টেন্স টু ষ্টেটস ফোর কেপিটেল ইনভেষ্টমেন্ট’ ...মখা লমায় ৩ কলম ২






## তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মঙাদা ব্রোদবেন্দ য়াওনা ইন্টরনেট/মোবাইল দাটা সর্ভিসশিং অথিংবা থম্লে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নর কম সেক্রেটরি এন অশোক কুমারনা ঙসি থোকপা ওর্দর অমদা ওইরক্লিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম অসিগী মতুংইন্না তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মঙা - ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## সস্পেন্দ তৌরিবা ইন্টরনেট সর্ভিস রেষ্টোরেশন তৌদ্রিবা ফাওবা স্মার্ট প্রীপেদ মিটর শীজিন্নরিবশিংনা ইলেক্ট্রিসিটি সপ্লাই শোৎপা য়াগনি

(অকূপ্পা পাউ লমায় ৩দা)

## অঙাং ২গী পীফম থোকপা এক্স-গ্রেসিয়া পীগনি : সী এম

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস) :** ত্রোংলাওবীগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা অঙাং অনীদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীফম থোকপা এক্স-গ্রেসিয়া শোয়দনা ফংহনগনি অমসুং থৌদোক অসিগী কেস এন আই এদা শিন্নরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা পাউমীশিংগী খূত্থাংদা লাউথোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৩ খরা হেল্লকপদা চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লন্দুনা হায়, ঙরাং নোংঙাল্লমদাইদা থোকখিবা থৌদোক অদু অদুক্কী মতিক থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে। অয়ুক অঙনবদা চৎলগা য়েংলুবদা পীক্লিবা অঙাং অনীনা লৈখিদবগী ফীভম অদু উবদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফাওই। হল্লক্লবা মতুংদা এন দি এগা চৎমিন্নরিবা এম এল এশিংগা পূন্না ফম্মিন্নদুনা থৌদোক অসিগী কেস অসি এন আই এদা শিন্ননবা ৱারেপ লৌরে। থোকখ্রিবা থৌদোক অসি হৌজিক পীসফুল এটমোসফেয়র অমা লাকপসিদা মসিবু থুগায়বা পাম্বা কাঙবুনা ওইগনি হায়বগী থাজবা লৈ। চিংনরিবা অসি কোক্লবা ওর্গনাইজেশন নৎত্রগা লন্নাই মীওইশিংবু মশক মমিং খঙদ্রিবনিনা মসিননি হায়না ঙসিমক হায়বদুদি খরা ঙনমনগনি খঞ্জে। এ আর, সী আর পি এফ অমদি পুলিসনা সিক্যুরিটি মীটিং অমসু পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিদা লাইবক থীবা থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা ওপরেশন কন্না চথুরি হায়না ফোঙদোকখি।

অকাম্পাৎতা লৈরম্বী চহী ৭তা ঙাইরিবী আই দি পি অঙাং নুপীমচা অমা য়াম্না নুংঙাইতবা মওংদা লৈখিদবগী ৱারী ঐখোয় লোইনা খঙলে। মমাঙদসু আই দি পি ইচাশিং খরা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা লৈখিদবদুসু লৈঙাক্না ইমুংশিং অদুদা অঙম্বা খরা মতেং পাংজখিবনি। হন্দকসু চপ মান্নবা মতেং পাংজগনি। লৈখিদ্রবা য়াম্না নৌরিবা অঙাং অনী অসিগীসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীফম থোকপা এক্স-গ্রেসিয়া শোয়দনা পীগনি। মীয়াম্না ৱাখল ফাথবীরগা মরাল লৈবশিং ফানবা হোৎনবদা থৱায় য়াওনা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

জিরিবাম চৎলুরবা মতুংদা লেমহৌরিবা হায়ৱেশিংদা চৎনবা থৌরাং লৈব্রা হায়না পাউমীশিংনা হংবদা চীফ মিনিষ্টরনা চৎকনি হায়না পাউখুম্লকখি। অদুগা য়ুনিফাইদ কম্মান্দ কনানা পায়রিবগে হায়না হংবদনা চীফ মিনিষ্টরনা হয়েং মহাক্না চেয়র লৌদুনা য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী মীটিং পাঙথোক্কনি হায়না খুম্লকখি।

অমরোমদা, ঙরাং অহিং থোকখিবা থৌদোক অদুদা সিক্যুরিটিগী মায়কৈদগী অহোবা লৈখিব্রা হংলুবদদি হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা সিক্যুরিটিগী অহোবা লৈ

### মরাল লৈবশিং হিংনা নৎত্রগা শিনা ফংনবা হোৎনরি, মীয়ামগী অশাউবা ফাথরগা মতেং পাংবীয়ু : গোবিন্দাস

নৎত্রগা লৈতে হায়বদুদি থৌদোক অসিগী কেস এন আই এদা শিন্নদুনা ইনভেষ্টিগেশন চথুরগা খঙলগনি। করিগুম্বা থৌদোক অসিদা সূ গ্রুপশিং চেন্নরল্লবদি মখোয়গী মথক্তা এক্সন লৌগনি। চীং ওইগেরা, তম ওইগেরা খূৎলায় পায়দুনা চৎপা য়ারোই। সূ গ্রুপ্তা লৈতবা পূন্নমক তম্পাক্কী ওইরবসু চীংগী ওইরবসু মখোয়গী মথক্তা ওপরেশন চথুগনি। থা অনীগী মনুংদা খূৎশু খূৎলায় রিকোভর তৌনবা হোম মিনিষ্টরনা অকনবা পাউতাক পীরক্লে।

পাউগী মীফমদা শরুক য়াখিবা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়, থৌদোক অসি য়াম্না থম্মোয় শোকপা থৌদোকনি। পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা লাকপদা প্রোটেষ্ট তৌবা, অনৌবা লৈঙাক লাকহন্নীংদবা, ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লকপদা থুগায়নীংবা মীওই খরা নৎত্রগা গ্রুপ অমনা বোম কাপশিন্দুনা নৌরিবা অঙাং অনী লৈখিদ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## টোটেল শটদাউন চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস):**
ত্রোংলাওবীদা কুকি-নার্কো টেররিষ্টশিংনা কাপশিল্লকপা বোমনা পীক্লিবা অঙাং অনীগী পূন্সি মাঙহনখিবা অমসুং মখোয়গী অপোকপী মমাবুনা শোকহনখিবা থৌদোক্কী মতাংদা ঙসি থৌবাল অপূনবা লূপ (টাল) না খুদক্কী ওইবা অপূনবা মীফম অমা থৌবাল বামোন লৈরক্তা লৈবা জুপিটর ক্লবতা পাঙথোকখ্রে হায়রি। মীফম অসিদা টালগী মখাদা লৈরিবা প্রোপর থৌবালগী ক্লব অমদি ওর্গনাইজেশন কয়াগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা লূপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি সঞ্জেনবম অমরজিৎনা ফোঙদোরকপদা ত্রোংলাওবীগী থৌদোক অসিবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা মরাল লৈবা মীওইশিং লৈঙাক্না ফাগৎতুনা অহকপা চৈরাক পীগদবনি। দিমান্দ অসি ফংদ্রিবা ফাওবা থৌবালদা লৈঙাক্না মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং থিংজিনগনি অমসুং টোটেল শটদাউনগী খোঙজং খুদক্তগী চঙশিল্লগনি হায়খি।

## সেন্ত্রেল ফোর্সনা ঐখোয়বু ঙাকপীবা ঙম্লোইদবা ওইরবদি খুঞ্জাশিংনা ঙাকচরগে : ভি ভি এফ

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস):**
ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা থোকখিবা তমথীরবা থৌদোক অসিগী মতাংদা ভিলেজ ভোলন্টিয়র ফোর্স (ভি ভি এফ), মণিপুরনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি থৌদোক থোকখিবা মফম অসিদা পাউমীশিংদা হায়, লৈঙাক্কী মথৌ তাবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীয়াম্বু ঙাকপীবা ঙমদ্রবনিনা ঐখোয়না খুঞ্জাশিংবু ঙাকচরগে । মরম অসিনা মথৌ তাবা খূৎশু-খূৎলায়শিং ঐখোয়দা পীবিরো হায়খি।

ত্রোংলাওবীগী থৌদোক্তা চেন্নবা কুকি মিলিটেন্টশিং অথুবা মতমদা থিজিন্দুনা লৈবাক মীয়ামদা খঙহনগদবনি। থোক্লিবা থম্মোয় কায়রবা থৌদোক অসি ভি ভি এফ, মণিপুরগী মায়কৈদগী নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি অমসুং ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়খি।

অমরোমদা, থৌদোক অসিবু নুংঙাইতবা ফোঙদোক্তুনা ত্রোংলাওবীগী মহৈশঙশিংগী মহৈরোয়শিংনা স্কুলগী গেট মমাঙদা থোক্তুনা পেন্দবা খোল্লাওশিং লাউখি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫